ꯔꯥꯔꯤ ককনাউ

ৱারী ককনাউ

# তখেল্লৈগী লৈনম

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

ঙসিদি ইবোচৌ নহানখৈগা মান্নদে। য়ূমদা হেক হল্লকপগা মথৱায় নৎত্রগা মশা ইনুং নুংঙাইতবা মাল্লি। য়ূমগী থোঙজিন হেক কানশিল্লকপগা ফমুংলোমদা চুমদ্রিং চঙখ্রে। মাগী নুপীনা মপুরোইবগী মতৌদুদা মীপাইরদুনা ফমুং মচিদা ফমদুনা ফক্লাংলোমদা চেপশিন্দুনা হিপলিবা মপুরোইবগী লেংজুম পায়দুনা হংলি,

"কৈদৌবিরগে, হকচাং নুংঙাইত্রব্রা, হল্লকপগা ৱা-লান অমত্তা হায়দখৈ হিপচিল্লিসিবো?"

ইবোচৌবা মাগী নুপীনা অনী-অহুল্লক হংলকপদু খুমদে, মমৈথংদা ইতন তন্থবা খোঞ্জেলনা মমাইদি লৈশিন্দনা খুল্লকই, 'কৈসু তৌদে'।

"কৈসু তৌদে হায়রগা কৈনো তৌরিসিবো? ৱা অমত্তা হায়দ্রবনিনা ঐসু তৌফম লাকফম খঙদ্রে"

"নঙগী তৌগদবা তৌরুরো ঐ কৈসু তৌদে"

"কনাগা করি হায়নরকপগে, নৎত্রগা কৈদৌরগে?" নমহং হংজিল্লকই।

ইবোচৌবা থোইদোক্লা খুন্বা-খোৎপা তৌদে। মাগী নুপীদু থোইদোক্লা কা হেন্না মশা ঙমদবদি নৎত্রমাল্লে খন্দুনা থোকখ্রে, চাকখুমদা চঙদুনা চাক থোংলি।

মাগী নুপী থোকখ্রবা মতুংদা ইবোচৌবা মমাই লৈথারকই। ফক্লাংদা নপ্তুনা থাল্লিবা ইলেক্ট্রিকী মঙালদা উরে, ইবোচৌবা মপি তারে। মখোন থোক্তনা মথম্মোয়দা কপ্লিমাল্লে।

ঙসিসি ইবোচৌ ওফিসতগী হেক থোরকপগা খ্বাই কৈথেলদা এঙ্গাং খরা লৈনবা চঙলুই। কৈথেল খাউদু মখূৎতা য়ান্দুনা মথং মথং লন্মীগী মতাইদা ফমদুনা মনা মশিং য়োল্লিবা পরেংদুদা লাকই। লৈবা য়াবা খরদি লৈরে। অদুবু মানা পান্বা অমখক্তি ফংদবদৌনা মথা-মথা থারিবা মনা-মশিংশিং য়েংদুনা চৎলি। থিরিবা পোৎসি অতৈ নত্তে, পেরুকনি। ইবোচৌ পেরুক য়াম্না পান্মী। পেরুক ফুৎলগা মহি থকপা অমদি পেরুক্তুনা কাংসু শুরগা চাবা য়াম্না পামজে। অদুনা মানবু কৈথেলদা পোৎ লৈবা চৎলবদি পেরুক শোয়দনা লৈরে। অদুনা মানা থিরিসি পেরুকনি। উচিন নাচিন্না কাচিন অমদা পেরুক খুইরপ তৌরবা মথা অমা থাদুনা লৈবা উরে। ইবোচৌ পেরুক্তু তন্না পরপ-পরপ চঙশিল্লি। পোৎয়োনবীদুগী মাঙদা ঙেক ফমথরগা হংই, "পেরুকসিবু কয়াগীনো?"

খোঞ্জেলদু তাবদা পেরুক য়োল্লন্মী তখেল্লৈ মমাই থাঙ্গৎতুনা য়েংখৎলকই। ইবচৌবসু হংবদা খুল্লক্তবদুদা য়েংই, মীৎ মরি অমুক্তদা চপ মান্ননা থেংজিন্নৈ। অমনা অমবু শক খঙনরে। ইবোচৌবা অমদি তখেল্লৈনি। খঙহৌদনা অনীমক শ্বায় লাউই। অনীসি মতম অমদা য়াম্না থম্মোয় শেংনা নুংশিনরম্মী। পুন্সি লন্মীদা চৎমিন্নসি হায়না ৱাশক্লন্দুনা নুংঙাইরবা পাখঙ লৈশাবী ওইরিঙৈগী পুন্সি অমা শেমগৎলকখি। মখোয় অনীগী নুংওনবা ৱারীতনা মখোয়গী পুন্সিগী দাইরিদা থন্না ইদুনা লৈরি। অদুবু নোংদম্বনদি মখোয় অনী থুংনৌ হায়না তল্লমখিদে। তখেল্লৈ মমা মপানা হায়না শিংনদুনা অতোপ্পা নুপা অমদা থাজখি। মতমদুদা তখেল্লৈনা ইবোচৌবদা ফনা কন্না হায়জখি। অদুবু ইবোচৌবনা মতমদুদা মহাক থবক ফংদ্রি হায়দুনা য়াখিদে। নুংশি নুংশিনা কায়নবা তাখি। তখেল্লৈ মহাক্না পোকপদগী মশক খঙদবা নুপা অমদা ৱাইথুংনখি। চহী খরগী মতুংদা লন্মীগী খুদোংথিবা অমদা মহাক্কী নুপা লৈখিদ্রে। হিংনবগী উপাই থিরকপদা কৈথেলদা থোক্তুনা মনা-মশিং য়োনবা থোরকখিবনি।

"লুপা তরাখক্তনি লৌবিখ্রো, সিদা ঙাইরে" তখেল্লৈ মখোল নিকলপ হায়রকই। ইবোচৌবা মাগী খাউদু হাংদোক্তুনা থন্মী। পেরুক্তু তখেল্লৈনা হাপচিল্লি। ইবোচৌবা তখেল্লৈদা লুপা ১০০ চৎপী অমা পী।

"ঐদি অচোইবা য়াওদে, য়ারগদি অচোইবা ওইনা পীবিয়ু"

"য়ারে অদুম লৌরো"

"মদুম্না হায়বীগনু, ঐ লৌজরোই"

"ঙাইখো তখেল্লৈ, নঙনা তৌরম্মিসি করিনো? নহাক য়াম্না ৱারবরা?"

"হৈনরবা মী অমদা ৱাবা অমদি নুংঙাইবগী খেন্নবা লৈতে, মসি ঐগী পুন্সিনি, মসিদা ঐগীসু নুংঙাইবা লৈরি"

"তখেল্লৈ, নহাক?"

"ঐগী নুপা লৈখিদ্রে, ইচা অনী লৈরে। কমদৌরি নহাক্তি? নুংঙাইরমগনি খল্লি, খেন্নবা পুন্সি অমগী তোর্ব্বান ৱাংমা ৱাংমদা লেপ্পরবনিনা নোংমতসু অৱা নুংঙাই হংবা ফংখিদ্রে, ঙসি থেংনবসি য়াম্না নুংঙাইরে। নুংঙাইনা হিংবিয়ু"

ইবোচৌবা খল্লু খল্লুরগা য়াম্না নুংঙাইতবা সুম হেল্লকই। তখেল্লৈনা মহাকপু হায়না শিংনবা লাক্লে, ঐবু নুংশিবিরবদি চেল্লসি হায়না কন্না হায়খিবদু মহাক্না নাথৈখি। ঙসি তখেল্লৈগী হিকথরবা পুন্সি উরুবদা হেন্না নুংঙাইতবা ফাওরে। অদুবু কৈদৌরুনি, শম্নবা য়াদ্রবা লৈই অনীগী লাপ্পবা অসিনা ইবোচৌববু লৈতাহনবদি ঙমদ্রে।

"চাক লোইরে, শারিঙৈদা চাথোকহৌরসি" মাগী নুপীনা থোঙজিন মপান্দা লেপ্তুনা হায়রকই।

"ঐ ঙসিদি চাররোই"। ইথু থুনা খুমখিবনি।

"হৈমা কৈনোনে, হংলবসু কৈসু তৌদে হায়", তপনা চঙশিল্লকই।

অদুবু ইবোচৌবা মমাই ফক্লাংলোমদা অমুক ওনশিন্দুনা হিপখি।

═ লমকোয় ৱারী

# শকমান্নবশিংগা খঙন-উনরকপা


*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা…)*

নুপীগী মিতম, অশাবা টা পায়রগা লেপ্পা অদুনা মাগী টা পায়রিবা খূৎ অদু য়েৎতগী ওইদা শিন্দোকখিবগুম উখি। ঐনা শেরান্ননা উরব্রা খন্দুনা মিৎ নোইথোল্লগা মুন্না লেপ্তুনা য়েংখি। মহাক লেঙদনা অদুম লৈখি।

ঐনা লান্না উবনি খনখি। হায়নখিবা মতুংইন্না, ঐখোয়গী তা-ইবোচৌ অমুক লাকই। ইবানি ময়াম থোকলকপা ঙাইরি। তা-ইবোচৌ ইবানি নুমিৎতুগী কুম্মে ময়াম অদুগী ৱারী শাদুনা মখোয়বু ঙাইবা ওইনা লৈখি। মহাক্না মিতমশিং অসি য়েংলগা হায়রকখি, "মিতমশিংসি অহিংবা মানদ্রা?" ঐসু 'হোয়' হায়না ঙক নোম্মী। ঐনা তা-ইবোচৌদা, "অশাবা নুপীগী মিতম অসিনা পায়রিবা টা অসি মখূৎ লোন্না শিন্দোকখিবগুম তৌই" হায়খি। মানা " মানবা ওইরমগনি " হায়দুনা ইবানি মিতমদুদা সংত্রিক য়েংখি। মিতমদুদি লেঙদনা অদুম লেপ্লি। ঐখোয়গী মীশিং, মথং মথং থোক্লরকই। মী শুরদুনা মফম অদুদগী থোকলক্লবা হায়নৈ। ঐগী পূক্লীংদা নিংজিং-মাংজিংনবা অমা লৈগুম তৌই। নুপীগী অশাবা মিতম অদুদা অরোইবা ওইনা য়েংলুই, হন্দক্তী থাঙ্গৈশেংনা ঐঙোন্দা মিৎচি খৎলকখিবা ঐহাক তশেঙনা উরে। মঙ নত্তে। ঐনা তা-ইবোচৌগী মনাক্তা চেনশিন্দুনা, "মমিৎ খৎলকই" হায়খি। ময়াম নোকখি। ময়াম্না নোকলিবদু থাজদবগীনি। ঐদি তশেঙনা থাজরি মহাক মিৎচি খৎলকখি। কোন্না ঐনা হায়রিবদু চুমখি। গুঞ্জগুত্মণ না হায়রকই, "ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা মাইমগী আর্টিষ্ট ময়াম্না, মতম অমগী অরীবা ৱোরিয়র শাদুনা লেপখিবনি। মিতমশিং লোয়নমক মীনা শারগা লেপ্পনি। পুন্নমক FESTIVAL "D" AVIGNON গী শরুক ঙাক্তনি। লন্মীদা কৈথেলদা ঈশৈ শক্লিবা, জগোয় শারিবা, মাইম তৌরিবা, ষ্ট্রিট প্লে তৌরিবা খূদিংমক, অহৈবা ঙাক্তনি অদুবু মখোয়গী মরায়বক থীবা অমনা, ফ্রান্সতা প্রোফেস্নেল আর্টিষ্ট য়াম্না লৈবনা, ষ্টেজদা মখোয়গী উৎফম মফম লৈতবদগী, ষ্ট্রিট আর্টিষ্ট ওইনা মখোয়গী শোশিং উৎপনি।" মসিসু তাঙনা থোকপা অমনি। ঈশৈ জগোয়দা মখোয়না থৱায় য়াওরিবা, হৈ-শিংবা কয়া অসিনা ইশা অসি পুঙাও ঙাওহল্লি। ঐখোয় ময়াম পুল্লপ Parus কা লোয়ননা হল্লকখি। মানা চৎনা চৎনা হায়-"পেরিস্টতা য়েংনিংঙাই য়াম্না লৈরি।" চুম্মী, ফ্রান্সকী মরমদা ঐখোয় লাইরিক্তা, মেগজিন্দা, পাউদা, য়াম্না তাখ্রে, খঙবা ৱাৎলি, য়েংগদবা ৱাৎলি। চাওখৎপগী ৱারী ঙাক্তনি। ৱারীসি লীবা নত্তনা করিদি পান্বে লৈরি ?

**স্কুল তল্লিৱৈগী পারা অমা নীংশিংলকপা**

Alphonse Daudet কৌবা মমিং লৈরবা ফ্রেন্স নোভেলিষ্ট অমনা ইখিবা অতেনবা ৱারীমচা- "THE LAST LESSON" নীংশিংলকই। কনাগুম্বা ৱারী মচা অসি পাবিখিবা নত্রগা পারা অমা ওইনা তমলকখিবা মীওইশিংদি শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি। জর্ম্মণনা খুদুম চনশিনবীখ্রবা ফ্রান্সনা, ইং কুমজা ১৮৭০ অদুৱাইদা, জর্ম্মণশিংনা স্কুলশিংদা মখোয়গী লোন নত্তনা ফ্রেন্স লোন তম্বা থিংজিনবীখি। ফ্রেন্সকী ওঝা M. Hamel না মথ্বায় নুংঙাইতনা, মহাক্কী অরোইবা ফ্রেন্সকী পারা




তাকখিবা নুমিৎকী থম্মোয় শোকপা ৱারীনি। ৱা ঙাঙদনা, চোক মতেক অমনা ব্লেক বোর্দতা ইখি "VIVE LA FRANCE" (Long Live France) অদুগা, য়াম্না শোন্থনা স্কুল কারকখিবা মহৈরোয়শিংদা হায়খিবা- "School is dismissed- You may go." পারা অসি ঐনা নীংশিংখি। রামলাল পাল স্কুলদা তল্লিঙৈ, ওজা শীতলজিৎনা ঐখোয়দা পারা অসিমসু তাকপীখিবনি। মতম অদু, ওজা শীতলজিৎসু মহাক্কী পেনসন ফংগদবা কুইদ্রবনি। থবক্তগী পোৎথারমদাইগী কাইনরমদাই পুংফম নকশিল্লক্লবা মতমদা, ঐখোয়দা অরোইবা ওইনা তাকপীখিবা পারানি। মিৎসিদা ঐনা ওজা শীতলজিৎপু "The Last Lesson" পারা অদুগী স্কুল মস্টর M. Hamel ওইনা উজখি।

French Revolution গী ৱারীসু তাখ্রে। ৱানা হৌরকখিবা ফ্রান্সকী লমদমসে ঙসিদি পুক্কে চোনবী মশক ফজবী, মতৌলৈবী অমা ওইনা শীংথানফম ওইরি। ফ্রেন্সকী মরমদি খঙনিংঙাইসি য়ামখ্রে,হায়নিংঙাইনা পীক থল্লি। সিনেমা হায়বসি, ল্যুমির ব্রডরস হায়না খঙনবা (লাওইস অমদি আগস্ট) মচিল-মনাওনা শোক ১৮৯৫ দা ফ্রান্সতা 'ল্যুমির শো' হায়না থোন্দুনা মী অমদা ফ্রাঙ্ক অমা লৌদুনা য়েংহনবা হৌদোকখি। অতেনবা ডোকুমেন্টরি ফিলম 'এরাইভেল ওভ ডি ট্রেন এদ লা কিওটাত (১৮৯৫)' অসি উৎতুনা হৌদোকলকপদগী, সিনেমাগী পুৱারী লৈরকখি। মতুং তারকপা ল্যুমির ব্রডরসকী ফিলমশিং- "মোস্কো ভর্সকাই স্ট্রিট (১৮৯৬), ডি পাইরামিড (১৮৯৭)" মথং-মথং বোম্বেদা উৎলকখি। বোম্বেদা উৎখিবা ফিলমশিং অসি উরুবদগী দদা সাহেব পালকেনা শোক ১৯১২ অসিদা 'রাজা হরিচন্দ্রা' সিনেমা পুথোক্তুনা ইন্দিয়ান সিনেমাগী পুৱারী অমুক শেম্বা হৌখি। মালেমগী ওইনা ১৯৯৫ তা সিনেমানা চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম মালেমগী মফম খূদিংদা পাঙথোক্লখ্রে মসি ফ্রান্সতগী মরু ইহুল তমখিবনি।

চাউখৎপা হায়বসিনা হীরম খূদিংমক্তা মাংজিল হেক্তা থারম্মী। হৌগৎলকপদদি অৱাবা ঙাক্তনি। মতম অমদদি ফ্রান্স অসিসু ওৎপীবা,নৈবিবা, তুহৎপীবা কায়নবগী মীকপ খোঞ্জেলতনা নিনখিবা মফম অমনি। ঙসিদি মতৌ তমজনিংঙাই কয়ানা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিস অসি চীং লেম্না ঙাম্হৌইরি। পেরিসকী মফম খর খক উরগা, চাউখ্রবা ফ্রান্স লোইনা উরে, খঙলে হায়বা য়ারোই। নুমিৎ খরা খকনি লৈরুবদা উরকপা, থেংনরকখিবা, থোকখিবা থৌদোকশিং অদুদি, ঐগী ওইনদি মমল য়ামল্লবা পোৎয়োম অমনি। খর শাংথনা, ফ্রান্সকী মফম খরগা হেন্না উরল্লগদি, চাওখৎপা লৈপাক অমগী মশকসি হেন্না ময়েক শেংনা খঙলমগনি।

**মে আই হেল্প ইয়ু ?**

খ্বাইদগী চিনবসি চৎলমদাইগী মতমনি, য়ূমদা হল্লমদাইসিনি। ফ্রান্সতা পোৎ য়াম্না তাঙঙি। য়ূমদগী করি করিনো পোৎ য়াম্না তপলকখিবনি। পোৎ-চৈ

লৈগন্দবা মী হায়রগদি ঐসি অমনি। ময়াম মার্কেটিং তৌবা চৎনগনি হায়বদুদা লৈবা লৈদবা সুম য়েংনিংবদগী ঐখোয় খর থোকলকই। লন্মীগী মতাইদা পুথোল্লগা থাদুনা থন্বা পোৎ খুয়োন অসি পেরিসতসু তৌরম্মী। অচৌবা সোপ্পিং সেন্টরগী ব্যুল্ডিং চঙলুবগা, মপান্দা থাদুনা য়োল্লম্বগা, পোৎতি থোইনা খেন্নবা লৈতে। সোপ্পিং সেন্টরশিংনা টেক্স লৌই। মফম খরগা হেন্না চৎলগদি টেক্স ফ্রি ওইবা পোৎয়োনফমসু ফংবা য়াবনি। মতম লৈনদবনা অনকপদা লৈবা পোৎয়োনফমদা চঙলুই। য়োল্লিবা মীদুনা হায়রকই, "মে আই হেল্প ইয়ু?" ময়াম অপাম অপান্বা লৈনৈ। মী অয়ান্বনা লৈনবসি খুদাং ঘড়িনি, মথংদা নাকোং তাবী ৱাকমেন রেডিও টেপ অসিনি। লৈরীবা পোৎশিং য়েংবদা অদুম পেনবা ঙাক্তনি। লাইরিক য়োনবা মফম অমা থেংনখি, চাদা ২৫ দিস্কাউন্ট হায়না থারম্মী। লাইরিক ময়ামদু য়েংলুই, বুক সেল্লরদুনা হংলকই, "মে আই হেল্প ইয়ু?" ঐগীদি লাইরিক অনীখক্তী লৈরে মমল ফনা ৱাংঙি। লাইবক ফবনা, দিস্কাউন্ট পীরম্বনা হোঙনা ফংখি। য়ূমদগী লৈরক্লবা তপলকপদি ফি তক্লবা ইলেকত্রিক আইরন, ইষ্টিনি। ফনা কুইরে

হায়রকপা হন্দক্তী লৈরগে চপয়ুংনা খনখি। মফম অমদা চংলুই। পোৎয়োনফমগী নুপাদুনা হঙলকই, "মে আই হেল্প ইয়ু?" থিবা ফংমনলকত্রবদুদা, "মে আই হেল্প ইয়ু" হংলকপা নুপাদুদা হংলুই। মানা ইলায়-লায়না পুথোকলকই। মমল ঙাঙনদে অদুম লৈরে। মদুমা ফংবসি ইশাসি ইয়াং-য়াংঙি। ফ্রেন্সতা পোৎ অয়ান্বা অমদসু ইফং-ফংজাৎনি হংবা অমদি চংঙি। হংলুদনা য়াওদে হায়না থোকলকপা অপঙবা ওইরমখি। মখোয়না "মে আই হেল্প ইয়ু" হায়না হংলিবসি মরম লৈরম্মী। মখোয়দা য়াওদ্রগসু অনকপদা লৈরগদি লৌবীরুবা অমা নত্রগা মফম তাকপীবা অসি চৎনরম্মী।

BFCC ( Bank of the Festival "d" Avinon ) হায়বা বেঙ্ক অমা থেংনৈ। বেঙ্ক অসি Festival "d" Avinon অসিগীদমক অখন্ননা হাংদোকপনি। ফ্রান্সতা লৈরিঙৈদা শীজিন্ননবা পীবা মখোয়গী ফ্রাঙ্ক পৈশা অসি, ঐখোয়না কা হেন্না খরচ তৌদবনা খর-খরদি লেমনখি। পোৎ লৈথোকপসু পান্মুই ডোল্লর ওন্থোল্লগা পুবনা ফগনি বেঙ্কতা চঙলুসি হায়নৈ। বেঙ্কতা চঙলুরগদি পাক থোকলল্লরোই তোকসি, এয়রপোর্ত্তা ওন্থোকসি অমুকসু হায়নৈ। ঐনা ঙমদুনা বেঙ্ককী থোঙদু হেক হাংদুনা চঙলুবদা, ৱাং-চাওবী নীংথিনা কেরবী নুপী অমনা মঙক নোল্লদুনা হায়রকই,

- মে আই হেল্প ইয়ু ?
- য়েস, হোৱ্যার ইজ একচেঞ্জ কাউন্টর ?

নুপীদুনা পুশিনবীদুনা তাকপীরকই। কাউন্টর মনাক অদুদা, নুপী অমা অমুক থেংনৈ। মানা অমুক হংলকই,

- মে আই হেল্ফ য়ু ?
- য়েস, ৱুই হেব সম ফ্রাঙ্ক, ৱুই লাইক টু চেঞ্জ ইট… ডোল্লর..

নুপীদুনা ফোর্ম অমা পীরকই। ফোর্ম অদু মেনশিল্লগা ঐখোয়দা য়াওবা ফ্রাঙ্ক খরদু কাউন্টরদা পীশিনখি। ঐখোয়গী পাসবুকসু উৎখি। খুদক্তা ডোল্লর ওন্থোক্তুনা পীরকই। মিনিট মঙাগী মনুংদা বেঙ্কী থবক লোইখি। ঐখোয়গী আর্টিষ্ট নিমাইনা হায়রকই- "বেঙ্কশিংনা অসুম্না থবক থুরবদি, মীশিংসি থবক খূদিংমক নংনগনি।"

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

# তম্নরাইগী চুখাক

***ৱারী*** অমতা লীজগে। মীওইবগী পুন্সিদা কোকপা ঙমদবসি লাইথুং নৎত্রগা লাইমন্নি হায়নৈ। চীংলোন মাপননা ইকোয় কোয়শিনবা নুংঙাইবা নৎত্রগা অপেনবা হায়বদুদি ইফং ফংজদ্রবা, অৱাবা খাংবদা মনম হৈজরবা, ব্লোকেদ তৌবগী মীপাইদ্রবা, থাউ তাঙবগী নাচুংদ্রবা অদুগুম্বা লমদমদুগী লাইথুং নৎত্রগা লাইমন্নি ঐনা লীজগদৌরিবসে।

মৈনা ৱাই তাংনা শম, মীরোল অমদগী মীরোল অমা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু, ইবুধৌ-ইবেনধৌ, ইপু-ইবেন মথং-মথং। চহী কয়াদগী থায়নচিংবনো হায়নৈ মীনা অসুম্না 'থায়না থায়না মমাঙঙৈ, মমাসিজনা লৈশারিঙৈ' ইবেম্পোক্লা ফুঙ্গা মপান্দা ফমদুনা ফুঙ্গা ৱারী লীবিখি, মলুশিংদা। খুনগী মনীংগী পাৎথবীদা তম্নরাই থোকই হায়। মমিৎ চফু, ময়া শিংজং। ইস! কিবনা থক থক নিকই। থেংল অহিংগী তাংলৌদা নমু তাইবঙ ওইবা অমতসু তুবৎ শমদনা চৎনদে পাৎথবী মপা লান্দুনা। অহল-লমনগী ৱাবু থওইদা লমকেৎ লমহাইদুনা তিনখেৎ লাইখেৎলুবা মহাক্তো লোইরে হায়নৈ। থা অমা শিং শৎলবনি। ইরাৎ চবান, লাইশোন তিনশোন পূন্নমক অরেম্বনি। অদুবু ইপু কোন্দুমদংদি হিংখি 'তম্নরাইগী চুখাক' মীংথোল ফংনা। শবান ফবা, চুং ফীরাল চাবা, মীকি লাইকিখিদবা ইপুগা তম্নরাইগা মুক্লা লোংখ্রৌ চন্নখি হায়। কনানা ঙল্লমগনি। হুম, ইপুনা শোয়দনা ঙল্লমগনি। মরমদি মা হিংনা হল্লকই অদুবু ইপুদু মখোং মখূৎ চিংখি, চৈশু পাল্লোইনখি। মশুশিংনা মাবু তম্নরাইগী চুখাক হায়না লক্লখি। মতমদো তম্নরাইবু য়াম্না কিনখি। য়ূমথোং খূদিংগী তৌফদ্রবা অমা হায়বা তারবদি কোরৌ নারল চনখ্রবদি থোঙগী নাতৈ কাংফদে, চাবগী পৌরোল শৎফদে, থোংবা মরাল থাফদে। নমু পোং পূন্নমক উনান মৈরাগী মরুম থুপ, কেগাম থাউমৈগী মপাল তাং অহিং মিংশেল খাঙনখি পন্থৌ শঙ্গাইনুং।

অমম্বা অহিং হৌখ্রগা অয়ূক্কী য়েন্দা অঙনবা ক্বাক্কী লানবাউ চেল্লকপা, চরোইনা তেতু খোঙলকপা, কোরৌহনবগী সনা ফুদোংবা মশেক মঙালনা মালেম লৈদা খোংদারকপা মীকুপ্তা মমি শামখি অমম্বা অহিংগী অকিবা। শস্পোৎ মাংদা থা লৌবুক মায়কৈ পাংলকপা, লৌবাংশুবা কয়ানা খারি লৌবুক্তগী শক্লকপা লৌরাং ঈশৈগা শিন্নাইবী চনু কয়াগী ফীশাখোলগা অমতা ওইনা নিনখরে। ঙম্না কাউনখি অমম্বা অহিংগী তম্নরাইগী ৱারীসু। কয়াদা শুবা নোম্বা কল্লিবা ঐখোয়গী ইপা ইপু, ইমা ইবেলশিং। মীপাল তাংবগী ৱাখল য়াওদে। কুম অমগী অৱাৎ অপা লৈতনবা, ৱাৎত পাদনবা হোৎনৈ। চোন্না খিল্লি পুক্কে-লনগৈ। অমুকসু শিংনরকপা কয়াবু মায়োক য়ারম্মী নিংহন্নবা তৌদনা। থৌনা ফৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং। থন্মীরম্মী মালেমদা শিংথানিঙাই ওইরবা পুৱারীগী তাঙ্ককশিং। মখোয়না ঈগা শিন্নদুনা য়েল্লম্বনি কায়ফদ্রবা ইমাগী ঙমখৈসে। মসিমতংদি কাউফরোই ঙসিগী লিংজেল মান্নদ্রবা মচাশিং ঐখোয়না।



**লৈসেম্বী মৈকাম**

চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়

মতম্না কনাবুসু ঙাইবীদে, হৌখি চহী ইবুধৌ, ইবেনধৌ, ইপু-ইবেন মথং মথং। উচান মৈরানা মমখিবদা, কেগাম থাউমৈনা মমি শামখিবদা লোইখ্রগনি খল্লুই তম্নরাইগী ৱারীসু। অদুবু শায়োল্লকখি মতমসিগী হাৎপা-তুপ্পা, লানবীবা ঙন্বা শক্লোন হোংলবা তম্নরাই। মখল মথেল থৌদোক কয়ানি, তম্নরাইনা ইচা, ইপুরোইবা ফাদুনা পুবিখ্রগা নোংঙানবদা ফীজোল হোংলগা লৌরি মোনখাংননা তাদুনা লৈরমলে। চনুরা কয়াগী ইৱায়খুম্নবা মাঙহনবীরল্লে, লোইবা নাইদে। নোংমা থামম্বা অহিংগী থেংল তাংলৌদা লায়রবীগী মচা লায়রবদো তম্নরাইনা ফাখি। পুং, ঝান, মোইবুংদগী হেন্দোক্তুনা বন্দ, ব্লোকেদ, ৱাকৎ মীফম পূন্নমক অরেম্বা তাখি মীয়ামগী খোল্লাউ। ফংখিদে শুপ্পগী শরু মচেৎ অমফাওবা। মসিনি ঐখোয়গী লাইমন, ঐখোয়গী লাইথুং। ঙায়োক চফুগী ঙাগুম, শদলথক্কী শরেল শাগুম হিংবা তারি ঐগী ঐগী পাল্লি ঙাইদুনা।

নোংমা য়াচংবা মতুংনি। মহৌশাগী মহৌশা ইলেক্ট্রি ক লাক্তে, পুম্মম মমই। লমদমসিগী চাং নাইবা পুংফম শোয়দবা অমতং হায়বা তারবদি লোদ সেদিংনি, মৈ মুথৎপনি। পোদোন, লাল্টেনসু উখিদবা কুইরে, অহল-লমন্না মোমবতি কৌই, ঐখোয়নদি কেন্দল হাই। কেন্দলগী শেংফাৎতবা মঙালদুদনি ইমুংগী মী পূম্বা ইকোয় কোয়না য়ূম্বুরেম্বীনা লাংজবা নুমিদাংগী চরাদু চানবা ফমথনৈ। ইরমগী চেংনা ময়ূং কারগা মীরমগী চেংনা মফেন ফেনবা চাক্তুদা শৌগ্রি মহিদু নম্না তোৎলগা চখোম অনীদনি হুক্লিবা অহুমশুবা চখোমদু চিনবান য়ৌরম য়ৌফাৎত্রি মখোন্দু ফনা হৌই 'বদ্রং' ময়ামদু খংপ্রেক খংনা চোংখৎলি, মিৎ-না ইথক থক্কৎনৈ। কুইদে মরোই মনাউশিংনা মখা তারকই - প্রোক-প্রাক, দোং-দাং। হৈ! পাকথৌ, পাকথৌনে নোইবো। উপাই লৈতে থৱায়তবু হিংলবদি চগুম চনাই মফম খঙনদে, থৱায়বু হেনবা লৈতে। মখোলদি থোক্তনা কপ্পা য়াও নাহেবা য়াও, শোল্লিবা লাইদি হা গোবিন্দ ইবুঙো, হরে কৃষ্ণ, শিদবা মপূ, লাইনিংথৌ ইবুংঙো শুরে খোংবালাই তিংখাক ফাওবা য়াওরে। লেপতে মখোলসু প্রোক-প্রাক, দোং-দাং, থিচুং, হুইস, মসিমদি নাহুম ময়াদনি খেৎখ্রিবা। মরু লোইরব্রা, কৈদৌরবনো কবোক পোকপগুম পোল্লম্বা মখোলশিংদু তপ্পা তপ্পা নেমথখ্রে। লমজাউরোমদা করি করিনো লোন্নবা, ঙাঙনবা, লাউনবা তাই, ক্রক ক্রক চেনবা খোঙউপ বুটকী মখোলসু তাই। নকশিল্লকই মখৈ খোঙথাংগী মখোলনা হেনগৎলকই থম্মোয়গী মীহুলসু দং দং। থিন্থদনা থোঙদা কাক কাক থিল্লকই। ইস! করমনো ঙসিসিবো, পূন্নমক পাখৎনৈ। ফল্লপ-ফল্লপ য়েংনৈ ৱা ঙাঙনবদি লায়রদনা শ্বর ফাওবা কন্না হোন্নদে। ঙাইহাক কান্নবদুদা কাউখাইরকই থোঙদু। উপাই লৈত্রবা থোঙনা অনীদু শমজি খায়না তাখি মচোই মচোই। হোৎচিন্নরক ইমুংদা মথং মথং। অফং অফংবা থিনবগা কাউবগা, ঐঙোন্দা হোৎচিল্লকখিবা তম্বা নুপাদু ফনা ৱাং চাউই। নম্বর নাইনগী খোঙউপ বুটতুনা থজিন্দা দক, ইমুংদু থৱানমিচাক্লা পীক হেক থল্লি। খুরু-খুদ কুল্লগা চৈনা খাঙলিঙৈ খূৎচাউদুনা লুশমদা তাপ, শোরো-শোরো শুমাং য়ৌই, লাক্তুনা শৎ লংশিল্লি। মতম মাঙহন্নদে হোৎচিল্লকই ঙাইরল্লিবা ময়ামদো য়ুবী লাকপীগী য়ুবী মুন্নবদুমঙাই…।

লৌশিং তারকপা মতমদা লৈরল্লিবা মফমদু মীরমলেলা লাইরমলেলা ফন কুইনা চমম্লে। ইশা পূম্বা পুমথিৎ থিৎলি, বেন্দেজনা পুময়োম য়োল্লমই। ও! ঐনা লৈরিবসিদি অনা লায়েংশঙনি হায়বা খঙলে। শোনখিবা লাইয়ামশিংদুনা উকল ওইব্রা নৎত্রগা কুমসি চহীগী শিং শৎপদা চিৎথহৌরব্রা উচিন নাচিন্না থৱায় ফাওবদি মাঙহৌদ্রে। অদুবু খোঙ য়েৎতুমদি ময়ামদগী চৈ কানা খ্বাইদগী ৱাংনা য়ানখৎলগা প্লষ্টর য়োল্লগা লৈরম্মী। ঐসু কুমজা খরদি চৈশু পাল্লোইনৌ হায়বা লাইবক্কী মতাংনি। ইপু কোন্দুমদা নোক্লরুবা লক্লরুবগী মহয় ওইরম্বা তাই। চুম্মীদনা কল্লিদা খুদৈ কংদে হায়বদো। ঙসিদি ওইরে ঐসু 'তম্নরাইগী চুখাক'।